# মণিপুরগী পাউরৌ, চীনবুং ৱাহৈ অমসুং থাজ ৱারীদা পান্বা কৈগী মফম

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***"কৈ লৈবা মফমদা নুমিৎ তাগল্লি।"*** অতোপ্পা অমনা ***"কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম ওক্লে।"***খরা শাথীবা শা মখল ওইবনা মীওইবনা কিনৈ হায়বা উৎপা পাউরৌশিংগী মনুংদা খরা তোয়না থেংনবা অনীসি লৌখৎচবনি। কৈসে কয়াম শাথীবনো হায়বদু অমুক্তসু থেংনবা নত্তবনা খঙদে। জুদা থেংনবদুদি থেংনজশারিবা হায়দুনি, শারং মনুংদা লৈবা ওইবনা মতিক ময়াইদো করম্না খঙবা ঙম্লুনি। হেক উবগা অকিবা অমদি অদুম ফাওই, মরাং মরাংবদুদা। মখোয় মশেনসু খরা শাথীনবনরা, নুপী লোনবা ইমুংগী নুপীশিংদুনা য়েংথীনবা অমদি খৎন-ফোয়নববু ***"কৈ মীৎয়েং য়েংনবা"*** অমদি ***"লোক অমদা কৈ অনী কূনবা"*** হায়না পাউরৌনৈ। তপ্তা শগোল হুরানবগী ৱারীদবুদি শগোল চাবা লাকখিবা কৈনা শগোল হুরানবা তপ্তাবু কিমনবদগী মমৈ থেক্তত্তুনা চেনখি হায়। কৈরাংদা কৈরাংনি হায়বদা মতিক চপ চায়। অঙাং ওইরিঙৈদগী মাবু লময়ৌনা কিননবা ৱাহৈ খোম্থোক ময়াম অমা নাকোংসিদা তাবদগী হেন্দোক্তুনা কোক্তা অদুম্মক চুশিন্দুনা লৈখ্রবনি। ঐখোয়' লৈকায়দা য়াম্না ময়াক কনবী নুপী অমা লৈরম্মী। মচিনসু মখূৎসু পুমথৌনি। মাগী ইঙ্খোলদগী থবী মচা অমা ফাওবা লোন্না নৎত্রগা ফোংনা হেক্লগা চাবা ঙম্বা নহা অহল কনামত্তা য়াওখিদে। মশামক্তি তাহনবা কিনবনা তাহনখিদমাল্লে, মিংথোন অমা ময়াম্না পী, ***কৈথৌরেনবী*** হায়না। খরা মচিং মশোন ফত্তবা লাক্ল-ফানবা ঙমদবা শাথীবা মীওইদা অহলশিংনা অসুম্না তত্তনা হায়বা তারকই - ***"মসি অঙাং ওইরিঙৈদা কৈখোম শোয়দনা থক্লমগনি।"*** মমাঙঙৈদা অহল লমন ময়াম অমা অথাপ্পা চীংদা শীং য়ানবা চৎপদা কৈ থেংনবগী ৱারী য়াম্না তোয়না তাবা ফংজরকই। ঐখোয়গী ৱাখলদা লৈখিবদু কৈ হায়বা জাৎসি তাইবঙ মী উবা য়াদবনি, ফন হেক্তা চোংশিল্লগা লাকপা শেত্তৎপা তমথীবা শানি হায়বসিনি।

অসুম্না পান্বা কৈগা মীওইবগা য়েক্লবগুম্না লৈরকখিবা অমদি তাইবঙ মীওইবনা মাবু কিনা লৌনরম্বগা মরী লৈনবা ৱারী শিংবুন মরাং কায়না মণিপুরগী লৈজে। কবুই কৈওইবগী ৱারীনসু থোইনা হেন্না অকিবা ফাওহল্লি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা খন্বা থোইবী ৱারীদা লাইবক থীবী কুঞ্জমলাবু কৈনা হাৎখিবগী মতাংদু পেনা অমদি খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্লা শৈথারকপদু তু-মান খ্যাও-খ্যাও চুংবজাৎনি। অসুক য়াম্না তমথীবনি খল্লিবা শা অসি করিগুম্বা মতমদা মীওইবগী মরূপ অমগুম য়ৈখায় থিনগাইবা পীদবগী ৱারীসু তাদবা নত্তে। লংফৈ চৎপা অহল-লমনশিংনা উমংদা ইকোয় কোয়শিন্দুনা মৈ তিক্লগা ৱারী ৱাতাই শানরিঙৈদা কৈ লাক্লগা মখোয়গী মনাক্তা তূমিন্না কূন্দুনা লৈরম্লগা ইরেঞ্জনা হনখিবগী পাউদমসু তাবা ফংজরকই। 'সুম থিজিল্লুরদি মখোয়দগীদি, তাইবঙ মীওইবনা শাথীবা হেনবজাৎনি। মসিননি কৈ হায়বা জাৎ অসি মালেমদগী মূৎখ্রদ্রা হায়না পাখৎনরিবসি। মতম অমদা উমং ৱামংদগী হেন্দোক্তুনা লৈরক খুল্লক্তা চৈ চঙলকপসু য়াওবজাৎনি। মৈহুম মোরোক পাউজেন্দুনা কৈবল চল্লগা লৈকায় খুল চঙদুনা কৈ ফাবগী মতাংসু য়াওখি হায়। মণিপুর নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা কৈনা মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবদগী মীওইবনা কৈ ফাবা, হাৎপনা মশীং হেল্লি হায়বসি চীনবুং ৱারী অমদি চৈথারোল কুম্বাবনচিংবা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। খুদম ওইনা খৃষ্ট কুমগী তরাতরেৎশুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু পাইখোম্বগী মতমদা কৈনা মীওইবা অমদি য়ূমদা য়োকপা শাশিংবু অশোক অপন থোকহনবদগী কন্ননবা কৈ ফাবা নৎত্রগা হাৎনবা থৌরাং লৌখৎলম্মী। শা তানবগী থৌরম অমা ওইনা কৈ ফাবা, হাৎপগী খোঙচৎ কয়া লেপ্পা লৈতনা শিল্লম্মী। খুঙ্গংশিংদা কৈরুপ লিংখৎতুনা থৌরাং অসি মায় পাক্লা হোৎনরম্মী। অসুম্না মৈদিংঙু অসিগী হাক্তক্তা কৈ ময়াম অমা হাৎখিবগা লোয়ননা অচঙবা কৈশিং অদু থম্ননবা কৈশুমশঙ শারম্মী।

অসুক য়াম্না তমথীখ্রবা কৈ অসিগী অঙকপা ৱারী কয়াসু লৈ। লাইরেম্বী পান্থোইবীবু - ***"অচৌবা কৈ ফাবী, অচৌবা কৈজাওদা শাদোং ওইবী"*** হায়না মতিক ময়াই শৈথাবগী মরী লৈনবা ৱাফম ***পান্থোইবী খোংগুন***হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা য়াওরি। শাইওন য়াম্বা নোংপোক নিংথৌনা কৈরেন কৈজাউ ওল্লগা মশানৌ পান্থোইবীবু থিরক্লম্মী। থৌবাল তুরেলদা মশানৌনা ইরুজরিঙৈদা তুরেল লাল্লগা লাকখি। কৈরেন অদুনা মহাকপু ফাগে হায়না চোংশিল্লক্লবদা থৌনা ফনা মায়োক্লদুনা কৈরেন কৈজাউ অদু ঙকথী চপ্তুনা ফারবা মতুংদা কৈজাউগী মনঙ্গন্দা তোংখৎখ্রে। মবেম্মনা হরাউ মথোই কানা শাজৈ থাদুনা চূপ্লি ইনবদা মখে লাংলবা কৈরেনসু লৈপাক নোংথৌ মরোন অহুম্মক ফাওনা হন্না হন্না চেল্লম্মী। কৈজাউগী মকোক্তা ঈ থোকপমখৈ নূংনা শুরবদা নামনখিবনা লাউ খোংলম্মী। কাইনথংদা পান্থোইবীগী ইরুজফম থৌবাল তুরেলদা অমুক থুংলখি। কৈগা তাইবঙ মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়না তাকপা লম্মীৎলোননি - নোংমা থেরেলোংবা চনুগী মচা অনী তাংখু তাংহন্না মমাদা মখোয়গী অপোকপা কদায়দা লৈবগে হংলম্মী। পান্বা কৈগী মবুক মনুংদা লৈখ্রে হায়না মমানা পাউখুম পীরবদা মচিন মনাওনা লোক্লুং অশোঙবদা লোত্তুনা কৈ অদু ঙাইরম্মী। কৈ লাকপা উবগা তেন্না কাপ্পবা থৌরাংলকপদা মঙোন্দা শোক্তনবা কৈগী মবুক্তা তেঞ্জৈনা থাবগী মহুত্তা খুমাঙদা থারগা হাৎলু হায়না মপানা কৈগী মবুক মনুংদগী লাউরক্লম্মী। অসুম্না অপোকপনা হায়বদুমক পাঙথোক্তুনা কৈ অদু হাৎলবা মতুংদা মবুক অদু লেনখায়রে। খুদক্তুদা মপা নিংথৌ ঙানবদু মবুক মনুংদগী চোংথোক্তুনা চেনখ্রগা লম্মুক মতোন্দা তোংখিবদগী মফম অদুবু কৈতোং কৌখ্রে। মমাঙঙৈ মতমদা নুপা অমগী শীংথাবা য়াবা মতিক ময়াইশিংগী মনুংদা শাফম লানফমদা ইচঙ থৌনা মায় পাক্লা মায়রোং য়াবা ঙম্বসু মরু ওইবনি। পুরেম্বনা তোর্ব্বুংদা কৈ ফাবা ঙমখিবনা মোইরাং নিংথৌগী মফমদগী ঙাংখরৈমবু মনা ওইনা ফংজখিবনি। হায়নৈ মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীদি লাইনিংথৌ থাংজিংনা শান্নবা লীলানি। মজাইবেম্মা থোইবী মশুংলাংগীদমক ৱাবা য়াবা ৱারবা লমজা খন্বা অমদি অঙোম নোংবান অনীগী চাংদম-চাংয়েং লোইবা নাইখিদে। পোলোইদা কুঞ্জমলাগী য়াইবী লৌখ্রবা পান্বা কৈরেন ফাবা ঙম্বা মীশক্তুদা থাদোই পীবা হায়না ৱারেপ্লে। মদুনা লাইনিংথৌ থাংজিংগী অশেংবা ৱায়েলনি হায়বসি মোইরাং নিংথৌ, অঙম অথৌ অমদি মীপূম খুদিংমক্লা থাজনখি। অসুক্কী মতিক ময়াই লৈখ্রবা পান্বা কৈরেন মূৎখিবা য়াবগী ফীভম লাক্লব্রা? উমং মাঙশিল্লকপনসু ওইবা য়াই। ●

---

# দ্রাইভর অমগী শাংলবা খোঙচৎ

- কোংব্রাইলাৎপম ইবোমচা -

মণিপুর লৈঙাক্কী দ্রাইভর পূম্নমক্লা থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙলবা **সলাম ইবোবিশক** কুমজা ১৯৫৫দা খুরাই নান্দৈবম লৈকাই, সলানথোং ইম্ফাল, মণিপুরদা পোকখি। পুন্সিদা মায় পাক্লবা দ্রাইভর অমা ওইখিবদা নত্তনা মহাক্কী হৈ-শিংলবা ৱাখল্লোন্না তুংদা হৌরক্লিবা দ্রাইভরশিংগীদমক ময়েক শেংনা লম্বী ফাৎপীরম্বা তাঙলবা লুচিংবনি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরা কান্ননবা তৌনীংবগী ৱাখল্লোন অমনা মঙজরকখিবা অদু থবক ওইনা তশেংনা উৎতুনা খঙহল্লি। অদুবু শেল-থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা ফীভমদগী কন্ননবা শেল থোকপা থবক অমা থিবা তাখি। অৱা-অনা থিদনা কন্না হোৎনজবদগী কুমজা ১৯৮১গী মার্চ ৩১দা মণিপুর ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টতা লৈঙাক্কী দ্রাইভর ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। লৈঙাক্কী দ্রাইভর ওইনা থবক তৌরবদা কুমজা ১৯৮২দা দ্রাইভরশিংগী ওইবা দি ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্লিসিয়ন্স এসোসিএসন'গী মেম্বর অমা ওইরকখি। মেম্বর ওইনা চহী ১০ এসোসিএসনগী থবক থৌরমশিংদা থৱায় য়াওবা মতৌদা পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা মহাকপু খনখি। কুমজা ১৯৯৩দা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ওইখি। কুমজা ১৯৯৫গী নবেম্বর ১১দা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি হাওখুলুন মাটে (মীয়াম্না লুন হায়না খঙনবা) না খঙহৌদনা লৈখিদবদগী, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা খনখি। এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমা ওইনা গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিংগীদমক কান্ননবা থবক কয়া তৌবা হৌরকখি।

কুমজা ১৯৯৮দা মণিপুরদা অপূনবগী শক্তি শাগৎনবা শেমখিবা ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল অমসুং ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন অনীনা পূনশিন্দুনা জোইন এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (জে এ সী) শেম্বগা লোয়ননা ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্লিসিয়ন্সগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইদুনা জে এ সীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা থবক পুহল্লকখি। মহাক্লা এ এম জি দি এন্দ টি এগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিঙৈ কুমজা ২০০২দা ওল ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফেদরেসনগী মেম্বর ওইনা এ এম জি দি এন্দ টি এবু রেজিষ্টর তৌদুনা পার্মিনেন্ট মেম্বর হৌজিক/ঙসি ফাওবা থম্বীরম্মী। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা অপূনবগী শক্তমনি হায়না শক্তাকখ্রবা জে এ সীনা মণিপুর লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংগী মঙাশুবা পে কম্মিসন চৎনহনবীয়ু হায়বা অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা মরী লৈননা মহাকপু কুমজা ১৯৯৮গী দিসেম্বর ৮গী নুমিদাংদা পুলিসনা ফারগা শজিৱা জেলদা নুমিৎ ১৫নি, হায়বদি দিসেম্বর ২৩গী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা থমখি। জে এ সীগা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারী শাননবগীদমক মীহুৎশিংগী মনুংদা এ এম জি দি এন্দ টি এগী মীহুৎ ওইনা পুলিসকী টিম অমনা মহাকপু চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পুরক্তুনা ৱারী শানবদুদা শরুক য়াখি অমসুং কর্ম্মচারিশিংগী ফিফ পে কম্মিসনগী দিমান্দ অদু মণিপুর লৈঙাক্লা অয়াবা পীবদগী পূম্নমক্লা ফংনখি, লোয়ননা জেলদগী থাদোরকখি।

মহাক্লা লুচিংদুনা দ্রাইভর এসোসিএসন্না গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিংদা নোমেনক্লেচর পোষ্টকী নন-ফঙ্কসনেল পে পীবীনবা হায়জবদগী কুমজা ২০০৬কী জুলাই ১৫দা মণিপুর লৈঙাক্কী দ্রাইভরশিংদা Non-functional pay 10 yrs and 24 yr দা লৈঙাক্লা চৎনহনখি। অমরোমদা, ওল ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফেদরেসন (এ আই জি দি এফ) না মহাকপু নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি হাপ্লকখি। এ এম জি দি এন্দ টি এ অমসুং এ আই জি দি এফকী মরু ওইবা মেম্বর অমা ওইনা ফেদরেসনগী কনফরেন্সতা চিংথবা লৈতনা শরুক য়াখি। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০০৭কী সেপ্টেম্বর ২৩দা অন্ধ্র প্রদেশকী 'কাকিনাদা' সহরদা এ এম জি দি এন্দ টি এগী মতমদুগী প্রসিদেন্ট ইকায়খুম্নরবা ইরেংবম অরুনগা লোয়ননা এ আই জি দি এফকী কনফরেন্সতা মণিপুরগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখি। কুমজা ২০০৯দা অসামগী খানাপরা এগ্রিকলচর কোলেজদা, কুমজা ২০১০দা উত্তর প্রদেশকী আগ্রাদা, কুমজা ২০১১গী দিসেম্বরদা নাগালেন্দগী ৱাখাদা, কুমজা ২০১২গী জুন ১০দা দেল্লীগী যন্ত্র মন্ত্রদা 'সেম ৱার্ক সেম পে' গী দিমান্দদা ধরনা ফমখি। কুমজা ২০১৩গী জুন ৮দা য়ু পিগী গাজিয়াবাদতা ফেদরেসনগী জেনরেল ইলেক্সন্দা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ৪দা মিজোরাম গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এসোসিএসনগী গোল্ডন জুবিলিদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ১১, ১২ অমদি ১৩ নুমিৎ হুমনি চুপ্পা এ আই জি দি এফকী কনফরেন্স, অসামগী সাইন্স কোলেজ ওদিটোরিয়ম-পাথোর ঘাট, কোক্রাঝার (বি টি সী) দা, কুমজা ২০১৬কী জুন ৮দা হিমাচল প্রদেশকী য়ু এন এদা এ এম জি দি এন্দ টি এগী এদভাইজর ওইনা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৬কী ওগষ্ট ২৮দা গুৱাহাটিগী বাবুনিদা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফোরম শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ৯ অমসুং ১০দা বিকাশ ভৱন, আই পি ইষ্টেট, ন্যু দেল্লীদা এ আই জি দি এফকী জেনরেল ইলেক্সন্দা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৭কী এপ্রিল ৮দা ইটানগর-অরুনাচল প্রদেশতা ফর্ষ্ট এন ঈ এস জি দি এফকী মীটিংদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১৮দা মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিংগী শান্তি মাস রেল্লি অমা ইম্ফালদা মহাক্কী এদভাইস মতুংইন্না পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্তা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখি। কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ২দা ন্যু দেল্লীগী বিকাশ ভৱন্দগী রাম লীলা মৈদান ফাওবা শান্তি মার্চতা এ এম জি দি এন্দ টি এগী মেম্বর ১২গা লোয়ননা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৮গী মে ১২দা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফোরমগী অনীশুবা কনফরেন্স, মণিপুর ষ্টেট একাদেমি এন্দ ত্রেনিং হোলদা এ এম জি দি এন্দ টি এনা শীন্দুনা পাঙথোকপগী থৌদাং চাউনা লৌবীখি। কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ২০দা সিক্কিমগী চিনতান ভৱন্দা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফোরমগী থর্দ কনভেন্সন্দা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৯গী জুন ১১দা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা মণিপুরনা অহানবা ওইনা গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস দে সেলেব্রেসন, ফিশরি দিপার্টমেন্ট, লম্ফেলপাৎ মণিপুরদা পাঙথোকখি। 'গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস দে' অসি কুমজা ১৯৯৪গী জুন ১১দা ন্যু দেল্লীদা এ আই জি দি এফ লিংখৎখিবগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপনি। কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ২২দা ওল ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফেদরেসন নোর্থ ৱেষ্ট জোনগী কনফরেন্স মীটিং জয়পুরদা শরুক য়ারুই। কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৪দা ফেদরেসনগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকপদা অরানবা থৌওং কয়া চখুনবা হোৎনরকপদগী মীওই খরনা লৌতুনবা থৌওংদা দ্রাইভর কম্ম্যুনিতিদা চাওরবা পেন্দবগী মমিনা ফেদরেসনবু কনফিদরেসন্দা অপগ্রেদ তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা শরুক্কী থৌদাং লৌখি। অদুবু দ্রাইভর খুদিংমক্কী পূক্নিংদা দ্রাইভরশিংগী অপূনবা শক্তম্বু শিংনরকপা খুদিংমক্তা মায়রোং য়াখিগনি হায়বগী ফিরেপ লৌবীবগীদমক দ্রাইভর খুন্নাই অসিনা থাগৎতবা ঙম্লোই হায়জনীংই।

ভারতবর্ষদা লৈরিবা লৈঙাক্কী দ্রাইভরশিংগী অপূনবা ফম্পাক ওইরিবা এ আই জি দি সীনা অপূনবগী শক্তম শাগৎতুনা লৈবাকসিগী দ্রাইভরশিংনা চাওখৎপা নুংঙাই য়াইফবা পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্বীরিবা মহাকপু থাগৎতবা ঙমদে।

মীওইবগী পুন্সি নোংম-নোংমা হৌজিনখিবনা মহাক্কী থবক তৌবগী চহী অসি কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১দা থবক্তগী পোত্থারবসু ঙসি ফাওবা দ্রাইভর খুন্নাই অসিগীদমক কখোক্তুনা লাক্লি। হৌজিক ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্লিসিয়ন্স এসোসিএসনগী চীফ এদভাইজর ওইনা লমজিং লমতাকপীরি।

লোয়ননা ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্লিসিয়ন্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হন্না হন্না থাগৎচবগা লোয়ননা তাইবঙ শেন্বা মপুনা মতম পূম্বদা নাদবা-য়েক্তবা, নুংঙাই-য়াইফবা পীনবীদুনা থৌগল তৌবা ঙম্বা পীনবীসনু হায়না থৌনিজরি।

লোঙ লিভ দ্রাইভর এসোসিএসন

জয় ভারত জয় মণিপুর। ●

---

## ষ্টেটকী পাউ

### মীফম্না ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস):

হৌখিবা থা অসিগী ৩দা পল্লেল কৈথেলদা পল্লেল বজার বোর্দ এক্সন কম্মিটি অমদি খুঙ্গং অসিগী ক্লবশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম্না ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না পল্লেল বজার বোর্দ এক্সন কম্মিটি (পি বি বি এ সী)গী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱারেপশিং অদুদি মমাঙ থাগী ২৫দা থোকখিবা থৌদোক হায়বদি তখেল্লম্বম জিল্লাঙম্বা (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি লুখোই পল্লেল মমাঙ লৈকায়, হেপ্পিলেন্দ লৈরক অমদি মহাক্কী কাঙবুনা বোর্দ অসিগী ৱারেপ- পল্লেল বজারদা মখল খূদিংমক্কী থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা বোর্দকী অয়াবা লৌগদবনি হায়বসিনি। হায়রিবা অসি থওইদদুনা কৈথেল অসিদা দুকান ফম্বা মীওইশিংদা ময়াই কাবা নিষা চাশিন-থকচিল্লগা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা থল্লিবা কর্ফিয়ু লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা দুকান্দারশিংগী ময়ূমদা চঙদুনা মশানা মশাবু সোসল ৱর্কর (ক্লবকী মেম্বর)নি হায়জদুনা নম্ফুদা মমল পীদনা পোৎ-চৈ লৌরম্বদা নত্তনা খূৎ ফাওবা থারম্বা, মদুদগী বোর্দকী ভোলুন্টিয়রশিংনা পাউ ফংবদগী তৌদনবা খাম্লুবদা লুজদবা অমসুং লৈবাক মচা তাদবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙদা বোর্দপু উশিৎ-থওইদবগী লীচৎ চৎলম্বা, মসিগীদমক বোর্দনা কয়ারক হন্না কৌদুনা ৱাখল তামিন্ননবা হায়রফাওবদা থৌশাদনা লৈথোকপা অমদি মশা লাক্তবনা ঙসিগী অপূনবা মীফম্না হায়রিবা মীওই (টি জিল্লাঙম্বা) অসি মখা তানা মহাক্লা বোর্দ অমসুং ক্লবশিংদা চঙজরক্ত্রিবফাওবা মীয়াম মাঙদা থোক্তুনা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমদা শরুক য়াবদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

মরম অদুনা কনাগুম্বা লন্নাই লুপ নৎত্রগা মীওই অমত্তনা হায়রিবা মীওই অসিগা লৈবাক অমসুং মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শম্নদনবা খঙহল্লক্লি। লোয়ননা মখা তানা পল্লেল কৈথেল অসিদা করিগুম্বা থবক অমা চথনিংবা লৈরগদি বোর্দকা পাউ ফাওনবীয়ু অদু নত্তবা তারবদি মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

### নফসাগী চেঙ শুনা ফংদ্রে হায়না ৱাকৎ মীফম চখ্খ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস):

নেসনল ফূদ সেক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী চেঙগী চাকথুং শুনা পীবিদ্রে হায়না ঙসি ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৭/১১ ককচিং নিংথৌ লৈকায়গী নুপীশিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং নিংথৌ লৈকায় আইদিএল পাইওনিয়র্স ক্লবকী শঙলেনগা থংননা লৈরিবা ইমা কৈথেল শঙলেন্দা ৱাকৎ মীফম চখ্খ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারম্বী হান্না ককচিং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী কাওন্সিল্লর ওইরম্বী এম ইনাকখুনবীনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লবখক নত্তনা লৌপান থা ওইবা, মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পীরক্লিবা নফসাগী চেঙগী চাকথুং খরা অসি এজেন্টশিংনা কিলোগ্রাম মশিং শুনা পীবিদবা অসি য়াম্নমক লাইবক থিবনি হায়খি।

করিগীদমক মীয়ামগী চেঙ কিলোগ্রাম মশিং শুনা পীদ্রিবনো হায়না এজেন্টশিংদা হংবদসু নীংথিনা খুন্বীদ্রে। য়েল্লিবা চেঙ অসি করি থাগীনো হায়না হংবদা জুন থাগীনি হায়না খুল্লকখি। অদুবু পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা নফসাগী চেঙ মে থাগীসু য়েনখিবা লৈত্রি। পি এম জি কে ৱাইগী চেঙদি য়েনখি। অসুম্না চরক চহিং নাইনা লৈরি। হৌজিক জুলাইগী য়েল্লিবা অসিসু প্রাইওরিটি কার্দ হোল্ডর অমদা চেঙ কে জি ৫/৫ পীগদবদা চেঙ কে জি ৪/৪ অদুগা এ এ ৱাইগীনা চেঙ কে জি ৩৫ পীগদবদা চেঙ কে জি ২৫/২৫ খক্তমক পীরকপনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ঈহৌ অসি লাকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লোকল এম এল এ অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙনা অথুবা মতমদা থীগৎপীদুনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুং শুনা পীবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

### ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা নোংমদা মীওই ১৫০০গী চাংদা হীদাক কাপ্লি: রাজেন

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস):

মালেমগী ওইনা মীপাইনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ কোরোনা ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগীদমক হীদাক কাপথোকপগী চাং অসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা য়াম্না ৱাংখৎলক্লে। হান্না নোংমদা মীওই ৪০০/৫০০ রোমতমক হীদাক কাপ্লম্বা অদু ঙসিদি মীওই ১,৫০০ রোমগী চাংদা হীদাক কাপ্লা ঙম্লে। হৌজিক লৈরিবা হীদাক কাপ্পগী চাং অসি অসুম্না চখুরবদা থা অনীগী মনুংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌবা শোয়দনা ঙমগনি হায়না টিঐচ রাজেন, চীফ মেদিকেল ওফিসর, ককচিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি এস এম ও, ককচিংগী ওফিসতা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৈরিবা সী ঐচ সী-২, পি ঐচ সী-৫ অমসুং য়ু পি ঐচ সী-১দা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেসন য়েম্থোকপগী থৌরমদা সী এম ও, টিঐচ রাজেননা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি। সী এম ও টিঐচ রাজেননা মখা তারদুনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মীওই লাখ ১ মখায়রোম লৈ। মসিগী মনুংদা মীওই লাখ ১ রোম কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা হীদাক অসি কাপ্পা য়াবা মীওইশিংনি। মসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪০,০০০ রোমদি হীদাক কাপখ্রে। ৱাৎহৌরিবশিং অসি থা অনীগী মনুংদা হীদাক কাপ্পা লোইরগনি হায়বগী পান্দম থল্লি। মীয়াম্নসু তোকঙাদা থাজবীদনা অমসুং অকিবা য়াওদনা হীদাক শোয়দনমক কাপথোকপীয়ু। ঐখোয় খূদিংমক কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাং-শিন্দুনা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোরকখি।

ঙসি ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেসন য়েম্থোকপগী মতাংদা পল্লদুনা সী এম ও টিঐচ রাজেননা হায়, কোভিদকী লুরবা মতমদা হান্না সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমদি য়ু পি ঐচ এস সীদসু কোভিদ নত্তবা ওক্সিজেন মথৌ তাবা অনাবা কয়া লায়েংনবা পুখৎলকপদা ওক্সিজেনগী মথৌ তারকপা কয়া য়াওবা অদু য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হান্না লৈজরম্বা অমসুং তোঙান তোঙানবা মীওই অমসুং লুপশিংনা মতেং পাংবীরকপা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেসনশিং অদুদগী সী ঐচ সী অমমমদা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ২/২ ঙসি য়েম্থোকপনি। হান্নদি কোভিদকী অনাবা মশিং য়াম্না হেনগৎলকপা মতমদদি হোস্পিটালশিংদগী ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং লৌখৎতনা শীজিন্নরম্বনি অদুবু হৌজিক্তিং অনাবগী মশিংসু খরা হন্থরক্লবা অমসুং ওক্সিজেন সিলিন্দরসু খরা মরাং কায়না লৈরক্লবনিনা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অসি য়েম্থোকপনি ফোঙদোরকখি।

### চানবা পোৎলমশিং তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর হৈরোক্তা লৈরকখিবা পাউমী অমদা ঙসি চরাংপাৎতগী সোসল ৱর্কর খরিবম জিভননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং ওইনা পীখ্রে। হৈরোক্তা লৈবা পাউমী অদুগী য়ূমদা চত্তুনা তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈনবা ৱারোলদা সোসল ৱর্কর জিভননা হায়, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক্তা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মীয়ামদা ঈ-পাউ পীরিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মখোয়গী অৱাবদা শরুক য়াবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা তেংবাং পোৎলম অসি পীজবনি হায়খি।

### মাস ভেক্সিন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস):

ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা চখুরকপা মাস ভেক্সিনেসন কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ককচিং খুনয়ায় লৈকায়দা লৈবা শ্রীশ্রী রাধামাগুব মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে।

সী এম ও ককচিংগী মখদা সী ঐচ সী ককচিংগী ষ্টাফশিং অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্স মীওইশিংগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মাস ভেক্সিনেসন কেম্প অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ মশামক লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ভেসিন কাপ্লিবা মেদিকেল টীম অমদি টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিং লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পা লাকখিবা মীয়াম্বু পূক্নিং থৌগৎখি। ঙসিগী ভেক্সিনেসন কেম্প অদুদা পূন্না মীওই ৫৬৬না ভেক্সিন কাপখি।

### উ পাম্বী থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচএনএস):

বন মহোতসবকা মরী লৈননা ককচিং হায় স্কুল (কে ঐচ এস) ১৯৮৪ মেত্রিক বেটচনা শীন্দুনা উ পাম্বী থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। লুপ অসিগী ৱান মন্থ ৱান এক্টিভিটি হায়বা পান্দম অমগা লোয়ননা লীশাং শীৎনা চখুরকপা থৌরম অমা ওইনা চখখিবনি। মতম অমদা মোইরাং থোইবীনা কবোদা লোই থাবা লাকপদা নোংঙাল্লকখিবা মফম্নি হায়দুনা অঙাং চিংজেল হায়না খঙনবা মফম অসিগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা উ পাম্বীশিং অদু থাখিবনি হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লুপ অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি এন মোহেন্দ্রোনা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক নোং নুংশিৎকী ফিভম কায়থরকপা, নোং মতম চানা তারক্তবা, শাবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসি খরদা ওইরবসু শাফনবা ৱাখলগা লোয়ননা উশিং অসি থাবনি হায়খি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।